**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১০-০৫-২০২৪, থাংজা)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙাস্থোইনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - **হন্দক রাজ্য অসিদা লেন য়াওনা শিৎখিবা** অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম কৈ অমাং অতা থোকখ্রবা ইমুংশিংদা জিঙ্ঘ য়েন্থোকপা হৌরে ।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী লালহৌবা অনি ফারে।

**অমসুং**

৩) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসি লম কয়াদা মাংজিল থানা চাউখৎলক্লি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**বিরেন(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - **হন্দক রাজ্য অসিদা লেন য়াওনা শিৎখিবা** অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম কৈ অমাং অতা থোকখ্রবা ইমুংশিংদা জিঙ্ঘ য়েন্থোকপা হৌরে ।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোস্ত অমদা শ্রী বিরেননা হায়-দি.সিশিংগী খুত্থাংদা জিঙ্ঘশিং অদু য়েন্থোকপা হৌখিবনি। লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা য়ুম কৈ অমাং অতা নংখ্রবা ইমুং খুদিংমক সরকারগী মতেং অসি য়ৌহন্নবা হোৎনরি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোলদগী এম.এন.আর.এফকী মীওই অমা ফারে। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাজ্য পুলিসনা হায়- মীওই অসিদগী বেগ অমা , মোবাইল হেন্দ সেট অনি, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙম্লে। মীওই অসি নোনেদা শেমগৎ শাগৎপগী কম্পানিশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী প্রিপাক প্রোগী মীওই অমসু ফাগৎখ্রে হায়রি। মীওই অসিদগী নাইন এম.এম.পিস্তোল অমা মেগজিন য়াওবা লাইব রাউন্দ মরি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমসুং মোবাইল অমা ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থীবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চত্থবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কামু চীংদগী ফোর্টি এম.এমগী কন্ত্রি মেদ নোংমৈ অনি, পোম্পী মোতার বোম ২১, ফিট অহুম শাংবা কোর্তেক্স ৱাইয়র, দাইনামাইট গন পাউদর কে.জে. অমারোম, পোম্পী এম্যুনেসন রাউন্দ কেপ হোলদর মরি,ইমতি কেস ২৪ অমসুং বেত্রি সেল অমা ফাগৎলে হায়রি।

নেসনেল হায়-৩৬ অমসুং নেসনেল হায়ৱে-২ দা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পোৎচৈ পুবা গাড়ি পুন্না ৪২৪ অশোই অঙাম য়াওদনা ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে। খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম থোক্তনবা সেক্যুরিতি কনভোই থমদুনা অকনবা

চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়রি।চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুন্না চেক পোইন্ত ১২৬ হাংদোক্লে। চীংনবা মীওই ১২৫দা মচিল হংবগী থবক চথুখি হায়রি ।

**কোবিদঃ** রাজ্য অসিদা নৌনা কোবিদ পোজিতিব ওইবা মীওই অমা থেংনরে হায়রি। জেনিমস হোস্পিতালগী দেপ্যুতি মেদিকেল সুপ্রিনতেন্দেন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মীওই অসি জেনিমসকী কোবিদ ৱার্দতা থমখ্রে। মীওই অদু ৱার্দ অসিগী ইর্মজেন্সি দ্যুতিদা লৈরিবা জ়নিয়র রেসিদেন্তশিংনা খুদক্কী ওইবা লায়েং পীগনি হায়রি।

হেন্দবোল(এল)ঃ ৪৬ শুবা সেনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন ষ্টেট লেবেল হেন্দ বোল টুরনামেন্ত ২০২৪ ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিলোং চাজিং মাইরেনখোং লৈকায়দা লৈবা মাইরেনখোং রাইজিং ক্লব এম.আর.সি গ্রাউন্দ ঙরাংদগী হৌদোকখ্রে। ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা এম.পি.এস.সিগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম, কে.ভি.দব্লিউ.এ (ময়াংইম্ফাল), ই.এস.দব্লিউ ৱাংখৈ , সি.ৱাই.দি.ও.এল চাজিং, ৱাই.কে.এল চীংঙারেল তেজপুর ৱিমেন অমসুং এস.এস.সি( খুরাই )না মাগী মাগী লমবশিংবু থোইখি।

মনিপুর হেন্দ বোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মাইরেনখোং রাইজিং ক্লব এম.আর.সিনা শিনবা টুরনামেন্ত অসি থা অসিগী ১৬ ফাওবা চথুগনি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**মোদিঃ** বি.জে.পি লুচিংবা অমসং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি -

বি.জে.পিনা হৌখিবা চহি ১০ দা লৈবাক অসিগী ওইবা সমস্যা কয়া কোকহনবা ঙমখ্রে। হায়দ্রবাদকী এল.বি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা মহাকা মীয়ামদা ভোট পীবা মতমদা মুন্না খল্লগা পীনবা হায়রি ।

শ্রী মোদিনা হায়- মথং থাগী ৪ দা লোক সভা মীখলগী ফল লাউথোকপদা বি.জে.পিনা চাউনাং মায় পাক্কনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসি স্পেস, শেল থুম য়াওনা লম খুদিংমক্তা মপাঙ্গল কনখৎলক্লি। মহাকা হায়- করিগুম্বা কংগ্রেসনা লৈবাক অসিদা শক্তি পায়রক্লবদি তেরোরিজমগী থবকশিং অমুক হেনগৎলক্কনি। অমসুং কংগ্রেসনা লৈবাক অসিবু কাস্ত, কাংলুপ অমসুং ধর্ম্মাগী মীংদা তোখায় তোখায় তানবা শিল্লি। মরক অসিদা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মীতিগী প্রসিদেন্ত মালিক অরজন্ খরগেনা ঙরাং রাজ্যা অদুগী নাক্রেকলদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পিনা ভোট খোম্বদা মখোয়গী মীখলগী মেনিফেস্তো অমসুং মখোয়না পাঙথোকখিবা থবক্কী মতাংদা পনদে হায়না হুন্দুনা ঙাংখি। মুখ্য মন্ত্রি রেবান্ত রেদ্দিসু সাদনাগরদা ঙরাং পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি।

**মীখলঃ** লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম ঙসি লোইরগনি। রাজনিতি দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক লৈজবি থাদুনা ভোট খোমরি ।

বি.জে.পি লুচিংবা জে.পি নদ্দনা হারিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা পাঙথোকপা মীখলগী রোদ সোদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগা মতাংদা শিংথাখি অমসুং কংগ্রেস দলবু শেঞ্জা থুমজাদা থৱাই য়াওবা দলনি হায়না মরাল শীখি।

কংগ্রেসকী জেনেরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রনা রাইবরেল্লিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা হায়-কংগ্রেসনা সরকার পায়রবদি দলগী মেনিফেষ্টোদা হায়খিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি। বহুজন সমাজ পার্তি লুচিংবী কুমারি ময়াৱাতিসু মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী

মীতিনদা শরুক য়াখি।

**তেলিকোম ঃ** তেলি কম্যুনিকেসনস বিভাগনা লৈবাক অসিগী তেলিকোম সার্ভিস প্রোবাইদরশিংদা মোবাইল হেন্দসেট লিশিং ২৮,২০০ সাইবর ক্রাইমদা চেন্নবগীদমক ব্লোক তৌনবা খঙহনখ্রে। বিভাগ অসিনা হায়রিবা মোবাইল হেন্দ সেটশিং অসিগা লিঙ্ক তৌরিবা মোবাই কন্নেক্সন লাখ ২০ খুদক্তা রিভেরিফিকেসন তৌনবা অমসুং মসিদা মতিক চাবা চে চাং পীশিল্লক্ত্রবদি মোবাইল কন্নেক্সনশিং দিসকনেক তৌনবা হায়রি। গৃহ মন্ত্রালয় অমসুং রাজ্য পুলিসশিংনা পুন্না য়েংশিনবদা হায়রিবা মোবাইল হেন্দ সেটশিং অসি সাইবর ক্রাইমদা শিজিন্নে হায়বা খঙবা ঙল্লে। দিপার্টমেন্ত ওফ তেলিকম্ম্যুনিকেসনস, গৃহ মন্ত্রালয় অমসুং রাজ্য পুলিসশিংগী অপুনবা খোংথাং অসিনা মোবাইলগী খুত্থাংদা মীয়ামদগী অরানবা মওংদা শেল লৌথোকপা অমসুং ঈ-পাউ খঙদোকবা হোৎনবশিংদগী মীয়ামবু ঙাকথোকপা ঙম্লগনি।

াওৱিস্তঃ ছাতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোক্নবদা মাওৱিষ্ট ১২ শীরে। পুলিসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদু দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ অমসুং স্পিসিয়েল টাক্স ফোর্ককী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা থীবাগী থবক চথবদা অদুদা গাঙ্গালুরগী পেদিয়া খুল মনাক্তা লৈবা উমং অমদা থোকখিবনি। পুং মরি রোম চুপা নকল অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপখিবা অদুগী তুংদা মাওৱিস্ত ১২ গী অশিবা হকচাংশিংগা লোয়ননা মফম অদুদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং অমসুং পোখায়বা য়াবা মচাকশিংসু ফংখি। থৌদোক অদুদা সেক্যুরিতি পরসনেল অনি অশোকপা নংখি।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**

**হৌজিক ওক্রম উমাদিনি লৈরে--**

**-উমাদিনি-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - **হন্দক রাজ্য অসিদা লেন য়াওনা শিৎখিবা** অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম কৈ অমাং অতা থোকখ্রবা ইমুংশিংদা জিঙ্ঘ য়েন্থোকপা হৌরে ।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী লালহৌবা অনি ফারে।

**অমসুং**

৩) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসি লম কয়াদা মাংজিল থানা চাউখৎলক্লি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-ঙাম্থোই

ম্যান্মার রিফিউজিশিং নমদুনা হলহনবা খুদক্তা লেপকদবনি হায়না ইন্তরনেসনেল কম্মীসন ওফ জরিস্ত আই.সি.জেনা ফোংদোরকপা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

রাজ্য অসিদা মে ৫ দা শিংখিবা অকনবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু নেসনেল দিজাস্তরনি হায়না লাউথোকপীনবা কংগ্রেসনা পধান মন্ত্রিদা আপিল তৌখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রের্বন কোলেজ চুরাচন্দপুর কলেজ অমসুং মোরে কলেজপু য়ু.জি.সিনা ওতোনোমস ষ্টেতস পীরকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। এম.পি.সি.সিনা লুপা কোতি ২০০ গী দিজাসতর রিলিফ পেকেজ পীবিরকবা সেন্তরদদা আপিল তৌখিবগী পাউ মোর্নি বেল অমসুং মনিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আরবিন্দ কেজ্রিৱাল ইন্তরিম বেল পীখ্রে হায়বা পাউ অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদালাইন তৌরি।

পাউমীদা কীহল্লম্বশিংগী মথক্তা নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা এক্সন লৌখৎলু হায়না অমজ্ অমসুং ই.জি.এমনা ফোংদোরকপা ৱাফম সনা লৈবাক অমসুং ঈ-চেল এক্সপেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোগী থৌদাংদা -বৃটিশ কোলোনিয়ল রুল লৈরিঙৈদা চৎনরম্বা লোশিং অনৌবা লো অহুমা মহুৎ শিনগদৌরি হায়না হানবা হেদলাইন তৌরি।

সরকারনা লাঞ্জেন্নরক্লিবশিংগী য়াইফনবা প্রোগ্রাম অহুম লোঞ্চ তৌখ্রে, মফম ৫ দা ত্রেনিং পীরগনি, জোব ওপরচুনিতি পীনবা হোৎনরি হায়না জস্তিস গিতা মীতালনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর নিউজকী অহানবা হেলাইন তৌরি। মনিপুরদা উমং কোকশিল্লকপগী ইসু নেসনেল গ্রিন ত্রিব্যুনেলনা লৌখৎখ্রে। নোতিস ইসু তৌখ্রে, হিয়ারিংগী মতম লেপখ্রে হায়বসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

শুগনুদা কুকি তেরোরিস্তশিংনা দ্রোন থাগৎলকপা য়াওনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা কায়হৌরকখ্রে হায়না হুসয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।
নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা মনিপুর সরকারনা কম্পেনসিয়েসন পীগনি হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম গানফিউ মেলদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আর্মি ওফিসরশিংনা গভর্নর অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা মনিপুরদা ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফীভমগী মতাংদা পাউদমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

--ঙাক্হোই--